পেট্রোলিয়ম প্রদক্ত নারোলদা য়োনবশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী মীৎয়েং মখাদা এস পি ও য়াইরিপোক এল অমর্জিৎ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কন্মান্দোগী ইন্সপেক্টর এন সদানন্দনা লূচিংবা পুলিসকী টিম অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়ামরুমদগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়োল্লন্বা মীওই নিপান ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফারবা মীওই নিপান অদুদগী গ্যাস থন্না য়াওবা এল পি জি সিলিন্দর ২১, গ্যাস য়াওদবা এল পি জি সিলিন্দর ৭৪, পেট্রোল লিটর ৩০০, দীজল লিটর ২০০ অমসুং কেরোসিন লিটর ২০০ ফাগৎপা ঙল্লে। ওপরেসন অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুঙ্খায় চৎপদগী নুংথিলগী পুং ৪.৩০ তারকপা ফাওবা চথখিবনি হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু থৌবাল অমসুং য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনশিংদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে হায়রি।

এমসুদগী পোত্থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): এমসুগী সেসন ২০১৭-১৯ গী থৌ পুনবা খল্লবা জেনরেল সেক্রেটরি হাওবিজম চলান্বা অমদি খুরাইজম সিংহজিৎ মশাগী খুদোংচাদবনা মরম ওইদুনা এমসুদগী পোত্থাখ্রে।

সেক্রেটরি অনী অসিগা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা চৎনররোই অমদি এমসুগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে হায়রি। থা অসিগী ১৪ দা এমসুগী ইগজিক্যুটিব মীফমনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা হাঙলিবা সেক্রেটরিগী ফমশিং অসিগী মহুৎ শীনবা থৌ পুনবা সোইবম অনিলবু সেক্রেটরি জেনরেল অমদি সিনাম জাতেশ্বরবু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুবগী অয়াবা পীরে হায়না এমসু হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এন্নুয়েল ফ্রেসর্স মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): জোইন্ট ত্রাইবেল ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়নগী ১৭ লক শুবা এন্ন্যুয়েল ফ্রেসর্স মীট ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিসর্হ ইন্সটিট্যুটতা পাঙথোকখ্রে।

ত্রাইবেল মহৈরোয়শিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফ্রেসর্স মীট অদুদা ইলেভেন ক্লাসতা নৌনা মহৈ তম্লকপা ক্লাস টেনগী ইগজামিনেসন পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়খি, নহাশিংনা করিগুম্বা ফিভম অমা মায়োক্লররকপা মতমদা ৱারেপ লৌদুনা থবক তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মীয়াম্বু অচুম্বা লম্বীদা ইখৌলাংবগা লোয়ননা শৌগৎ-কদবনি। অসুম্না মীয়ামগী রাইট ফঙনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপদা পাউতাক পীবা অমদি পুক্নিং থৌগৎপা মীওই অমমম ওইগদবনি লোয়ননা অরানবা ৱাখলদা চঙশিনবগী মহুত্তা অফবা শেমগৎ শাগৎপা মাইওনদা চঙশিনগদবনি হায়খি।

ওফিস খূদিংদা স্বাছতা হি ...

লামায় ১গী মখা... সেক্রেটরিয়েটকী ওফিসল খূদিংমক সেপ্টেম্বর ৩০দগী ওক্টোবর ২ ফাওবা ওফিস কাবগা লোয়ননা ওফিস বিল্ডিং, কা অমদি কম্পাউন্দ লু-নালহনবগী থৌরাংদা শরুক য়াগদবনি। শুমজিৎ, দষ্টর অমদি শাপোন্নচিংবা চঙগদবা পোৎচং খূদিংমক ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা জি এ দিগী ষ্টোরদগী লৌবা য়াগনি।

সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ ...

*লামায় ১গী মখা...*মখোয়গী প্রোফাইল অমা অপলোদ তৌরগা থল্লে। হায়রিবা অপলোদ তৌরবা প্রোফাইল অসি প্রোটেক্ট ওইনা ওক্টোবর ২০ ফাওবা অদোম অদোমগী ফেসবুক্কী প্রোফাইল পিচর ওইবীনবা মহাক্না মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মোহেন্দ্রোনা রেদ রিবন কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা অঙাংবা রিবন থেৎপা হৌখি।

GAS TODAY

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:16/06/2017
Valid From:06/06/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto:10/06/2017
Valid From:24/05/2017
Stk :612
Timing:06.30am to 10.30am

পাঙলতাবী ময়াই লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) না শীন্দুনা পাঙলতাবী ময়াই লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মতাংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না লুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ককচিংতাবম হরিচন্দ্রনা প্রেসতা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফঙনা মুখনিবা পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মফম কয়াদা পাঙথোকপা খন্ন নৈনবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না পাঙলতাবী ময়াই লৈকায়দা লৈবা কম্ম্যুনিটি হালদা পাঙলতাবী মৈরা পায়বী লুপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) অমদি কাদানা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হিজম প্রিয়োকুমর ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা, খুমুকচম মেম্মা ভাইস প্রসিদেন্ট থৌবাল ইমা, সোরোকখাইবম নেন্না প্রসিদেন্ট কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমদি থোকচোম মাধবী এদভাইজর পাঙলতাঞ্জবী মৈরা পায়বী লুপনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নিংথৌজম দোরেন ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা অমদি গীটচন্দ্র মঙাং সেক্রেটরি ফাইনান্স কাদনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাঙাংলোই ওইখিবা গীতচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক হায়বসি ইমুং মনুংদগী অয়াম্বা হৌরকই। মমা-মপানা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরগদি মচা ওইবশিং শীজিন্নরকপগী চাং ৱাংই। হিদাক মনা অসি ঐখোয়নদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক ওইনা খন্নদে। অচম্বা অচাপোৎকুম খন্নে। মসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক অয়াম্বগী গেটৱে ওই। অচৌবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী হান্না শীজিন্নরকপা হৌরক্তে, মচাদগী হৌরকপনি। ঙসিদি ইন্দিয়াগী মঙাশুবা পোজিসনদা মণিপুরনা হিদাক মনা শীজিন্নবা লম ওইরে। য়ু থকপদসু মাঙজিন থাবা লমদম অমা ওইরে। হৌরক্লিবা য়ুম্বীরেলশিং ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নদবা লৈরক্ত্রে। ময়াই কাবা চীঙ্গাক থাদোক্লবা অমদি লাপথোক্লবা ৱিল পাৱর লৈবা চঙই। হৌজিক্তি লায়েংবসু য়ারে অদুগা চাদ্রিবশিং চাহন্দনবা হোৎনবা তায় হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দোরেন্না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন লৈনা লৈনা য়ু মরাং কায়না ফঙহনবদগী মী শিবা য়াওনা থৌদোক কয়া থোক্লিবনি। এক্ট অসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌগদৌরিবা এক্সাইজ অমসুং পুলিসনা মথৌ নীংথিনা তৌদবদগী অমাঙবা কয়া অসি লাকপনি হায়না মরাল শীরক্লি।

মণিপুরগী এস সী/এস টি খুনশিংদা শুংলিবা য়ুশিং অসি কষ্টমরিগী ওইনা শুংবা নত্তে। কষ্টমরিগী মীংদা শেন্দাল লম্বী ওইনা চত্থবনি। মসি লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগদবনি। লৈঙাক অসিনা পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি য়ুগী প্রোব্লেম অসি শাথিনা নেমগনি। অদুবু নীংথিনা থবক তৌদবা অসি ঐখোয় পুম্নমক্কী লায়বক থিবনি হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা মেম্মানা ফোঙদোকখিবদা, নুপীদা চত্থবা মীওই মীনৈ অসি অয়াম্বনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী ওইরকই। নুপীশিং চৎন-লোনচৎ, ফিজেৎ-চাকচা চেকশিনবা দরকার ওই। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিং অরানবালম্বীদা চৎতনবা কুপ্না শেন্নবা তঙায়ফদে। অঙাংশিং নীংথিনা শেন্নহৌদ্রবদি অমাঙবা লোয়না ওইরকই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংনবগী খোঙজং মফম খুদিং চঙশিনবা মথৌ তাই হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফাউন্দেসন দে, টিচর্স দে পাঙথোকখ্রে

THE
GRACE ACADEMY FOUNDATION
CUM
TEACHER'S CELEBRATION - 2017

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক কেক্রুদা লৈবা গ্রেস একাদেমী লীংখৎখিবা চহী মরি মপুং ফারকপগী ফাউন্দেসন দে অমদি টিচর্স দেগী থৌরম ঙসি য়াইরিপোক কেক্রু কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদল্ট লিটরেসিগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর লোংজম জিবন্না অথোয়বা মীথুংলেন, পোইরৌ খোঙজিন হায়স্কুলগী এসিষ্টেন্ট টিচর খুন্দোংবম নোংথোন্না থৌরম মপু অদুগা লোকেল সেনিয়র সিটিজন সোরোইশম কালানা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

গ্রেস একাদেমীগী ফাউন্দর চেয়রমেন মুতুম ভুবনেশ্বরনা মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগী ৱারোল থমদুনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোলদ, এল জিবন্না ফোঙদোকখিবদা, পীক্লিবা অঙাংশিং অসি মশানা খঙনিংবা, হায়নিংবা লোয়ননা মতৌ তমনিংবগী তাঙ্কক অমা ওইবনা য়ারিবমখৈ মপা-মমা অমদি অহল লমনশিংনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা ঙাং শত্তুপা অমদি ফত্তবা থবকশিং অঙাংশিংগী মমাংদা তৌবীরোইদবনি। অঙাংশিংগী মমাংদা মমা-মপা, অহল লমনশিং অমদি ইমুং মনুংগী খৎন-চৈনবা, শাওনবা কয়াশিং অসি অঙাংশিংদা চাওনা মমী তাখি। মসিনা অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সিদা অরানবা লম্বীদা লাক্লবগী অচৌবা ঈনোৎ অমা পী। অফবা অঙাং অমা লৈকায়, খুন্নাই অমা শেম্বা হায়বসিদা স্কুলগী ওজাশিং খত্তনা য়াদে। য়ুম হায়বসি অঙাংশিংগী অহানবা স্কুলনি হায়রিবনি। অদুবু মপা-মমা, ওজাশিং অমদি লৈকায়গী অপুনবা থৌদাং চঙই। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফিভম অসিদা তুংগী খুন্নাইগীদমক অফবা য়ুম্বী অমমম ওইহন্নবা গ্রেস একাদেমীনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। মসি মীয়াম্নসু পুক্নিং থৌগৎনীঙাইনি হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুগী মনুং চনবা ওইনা স্কুলগী মায়কৈদগী অমদি মহৈরোয়শিংনা ওজাশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং তমদুনা য়াইফ থৌনিজখি। লোয়ননা একাদেমী অদুগী মহৈরোয়শিংনা শৈরেং পাথোকপা, নাৎকী ওইবা জগোয়, কেসেট দান্স, ফেসন শো পেরেদনচিংবা মখল মথেল কয়াগী থৌরমশিংসু উৎখি।

নোং কন্না চূবদগী ইন্দো-বর্মা রোডকী অকুৎপা মফম ঈশিং থুমজিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুরদা নোং কন্না চূবদগী তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ইম্ফালগী অকুৎপা মফমশিংসু ঈশিং থুমজিল্লকপনা ইম্ফাল-বর্মা রোড অমদি টিদ্দিম লম্বীগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়াম চথোক-চৎশিন্দা অপনবা ওইরে।

আই এফ সী দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙসি তাখিবা নোংগী চাং অসি কাংপোকপীদা ২৬ এম এম তাখি। অদুগা সাইকুলদনা ২৪ এম এম, লিতানদা ৭ এম এম, ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ১৮ এম এম, লম্ফেলদা ২১ এম এম অমসুং জিরিবামদা ৮ এম এম তাখি হায়রি।

হৌজিক লৈরিবা তুরেলগী ঈমায়গী ফীভমনা নম্বুল তুরেল অসিল্লন্দ লেবেলদা চেল্লে। ঙসি নুমিদাংৱাইরমদা নম্বুল তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক মপাদা পাথরকপা ঈশিংনা নেসনল হায়ৱে ৩৭ লান্দুনা চেন্থরকপদগী মীয়াম্না ঈশিং পাথরকপা থিংনবা হোৎনখি।

ইম্ফাল তুরেলগী মিনুথোং এরিয়াদসু ফ্লদ লেবেলদা চেল্লে। ইরিল, থৌবাল, নম্বোলনচিংবদদি ৱার্নিং লেবেলগী মখাদা চেল্লি হায়রি।

ইম্ফালগী কোনুং মমাঙ অমদি এম বি কোলেজ গেট এরিয়াদদি ঈশিংনা খুবোম য়ৌনা লম্বী থুমজিনবদগী মীয়াম চথোক-চৎশিন্দা অপনবা ওইখি। ইম্ফালগী অন্দ্রো পার্কিং এরিয়াসু ঈশিংনা থুমজিনখি। টিদ্দিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হজারি লৈকায়গী অকুৎপা মফমশিংসু ঈশিং লম্বী অমদি ইঙ্খোলনচিংবা থুমখি। মসিদা নত্তনা ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোংগী মখা অমদি মথক্লচিংবদসু ঈশিংনা থুমজিনবদগী মীয়াম চথোক-চৎশিন্দা অপনবা ওইখি। শুমাঙ থেল্লোং ঈশিংনা থুমজিনবদগী লন্নাই মীওইশিংগী গাড়ী কয়া লম্বীদা থৌদোক্লদুনা থল্লখি। শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়, ৱাইখোম লৈকায়, ময়েংবম লৈকায় অমদি ককৱা সোরোকখাইবম লৈকায় এরিয়ানচিংবদসু ঈশিং থুন্বদগী লম্বী চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখি।

মসিদা নত্তনা লম্বীগী নাকন্দা লৈরিবা ঈরম নালাশিংসু অমোৎ-অকায় কয়ানা ফুমজিনবদগী ঈশিং চেনফম লৈতবদগী অয়াম্বা লম্বী অমদি ইঙ্খোলদা ঈশিং চেনশিল্লকপা য়াওরে। নেসনল হায়ৱে ১০২ গী ককৱা অসেম লৈকায় মপাদা ঈশিং থুমজিনবদগী ঈরম-নালাশিং পাথোক্তুনা চেনফম লৈতদুনা হায়ৱে অসিগী নাক য়েৎতসু ঈশিং তোয়না থুমজিন্দুনা লৈবদগী লম্বী অসিদা মীয়ামনা চথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ঈরম-নালাশিং অসি নৌহৌননা অমুক চাউনা তৌথোক্লগা থন্বা মথৌ তারে নৎত্রগদি অকনবা নোংজু অমদা ঈশিং থুন্বগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

লেবর লোয়শঙগী ফম্নাইবশিং লৌথোক্কদবনি: মাওইষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯: লেবর লোয়শঙদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা শিন্মী মীয়ামগী চাকথুং মৎপশিং চৈরাক ফঙহন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা লোয়শঙ অসিগী চেয়রপর্সন অমদি কেসিয়র অনীমক চয়োল অমগী মনুংদা মীয়াম খঙনা মফমদগী লৌথোকফম থোকই হায়না লুপ অসিগী কোওর্দিনেটর ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কিয়োংহন মঙাংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লেবর মিনিষ্টর ফম থাদোকউ হায়না সেকেন্দ ওক্তোবরদা জেনরেল ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়বা খোঙথাং অদুদি হৌজিক লেবর লোয়শঙদা ওইরক্লিবা অহোংবা ফিভম কয়া অসিনা মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে।

পনবা য়াবদি লোয়শঙ অসিদা লুপ অসিনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌথ্রবা মতুংদা অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা ওফিসর মরি সম্পেন্দ তৌখিবা লৈরে। অদুবু লুপ অসিনা ফিভম অসিদা অপেনবা ওইদ্রি। স্কীল দিভলপমেন্টকী এন জি ও মরিদা চাউরাক্লা অমমমদা লাখ হুমফুতরা হুম্ফুতরা হেনবগী শেনফমশিং লান্না শীজিন্নখিবা অমদি অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর অমগা লাখ ৪০ হেনবগী শেনফম কায়থোক্তুনা লৈরে। মসিদা নত্তনা লেবর ৬৫০০ হেনবগী শেনফম কায়থোকপদা চাদা ১০ লোয়শঙ অসিগী ফম্নাইবশিংনা কক্লি হায়না চার্জ তৌরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা চাউনা চেন্নরিবসি লেবর লোয়শঙ অসিগী চেয়রপর্সন অমদি কেসিয়র অনীগনি। নাকল অমরোমদনা চেয়রপর্সনগী শাগৈ-নাতৈ থোকপশিংনা মিনিষ্টর ওইরি হায়বগী নাপলদা লুপ অসিদা শীংনরকপদগী ৱাথোক অসি পাকথোক চাউথোক্তুনা মিনিষ্টর ফাওবা কোনশিন্দুনা ফম থাদোক্লবা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরকখিবনি। হৌজিক লেবর লোয়শঙদা লাক্লিবা অহোংবা খুদিংমক মীৎকুপ অমত্তা চোন্থবা তৌদনা লুপ অসিনা য়েংশিল্লি। অহোংবা কয়া লাক্লি হায়বসিদি চুম্মী অদুবু অহোংবা অসি চুম্না অচৌবা ফম্নাইবশিং অমদি মরাল তশেংনা লৈরবশিং কুপশিন্নবা মীওই খরদা উশিন শিনবগী থৌদৌনি হায়না লুপ অসিনা লৌদবা ঙমদে। মরম অদুনা চয়োল অমগী মনুংদা কেসিয়র অনী অমদি চেয়রপর্সন্না মীয়াম খঙনা মশাগী মরাল য়াজদবা থোক্লবদি জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি চয়োল অমগী মতুংদা অমুক হন্না লাউথোক্লোইদবগী মরম লৈতে। মণিপুর মীয়াম্নসু ময়েক শেংনা খঙবীগদবা ৱাফমদি লেবর লোয়শঙ অসিনা শিন্মী মীয়ামগী য়াল্লবা শেনফমশিং শায়েন ঙায়েন্নদুনা লোয়শিনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লুপ অসিনা হৌখিবা থা মরিরোম হেন্না থিগৎতুনা লাকখিবনি। থিজিল্লিবা অসিগী মহৈ অমা ওইনা হৌজিক লেবর লোয়শঙদা ফম্নাইবা মরী উশিন শিন্দুনা সম্পেন্দ তৌবগী থাক অমদা লাক্লবনি। মসিনদি লুপ অসিনা অপেনবা ওইদ্রি। মরমদি শেনয়াম অসি লান্না শীজিন্নবদা চাউনা চেন্নরিবা মীওইশিংনা মশাগী মরাল য়াজবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা চয়োল অমগী মনুংদা মশাগী মরাল অদু মীয়াম খঙনা য়াজদবা থোক্লবদি লুপ অসিনা ঙসি হন্দোক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি অমুক হন্না কৌরক্কনি। লায়রবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী চাকথুং লান্না শীজিন্নবদা লুপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈথোক্লোই। মতুং তারকপা খোঙথাংশিংদসু মণিপুর মীয়াম্না লুপ অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

অঙাংশিংগী ষ্টেট পোলিসি অথুবদা চৎনহল্লগনি ...

*লামায় ১গী মখা...*কয়া হৌদোক্কনি। তরু-তনানবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হয়েংদগী ওক্টোবর অনী ফাওবা নুমিৎ ৩নিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লিন মণিপুরগী খোঙজংদা মীয়াম পুন্না শরুক য়াবীনবা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, শিংজমৈ এ সীগী মনুংদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ২০০ রোম লৈ। মসিগী মনুংদা সেন্টর ৫/৬তগী হেন্না থবক তৌবা উদে। মসি য়েংশিনবীয়ু। মহাক্লা হায়খি, মণিপুরদা টুরিষ্ট চঙলকপসি চহী ১দা মীওই ১,২০০দগী হেন্না লাক্তে। অদুবু মণিপুর হায়রিবা মফম অসি ফজবদা অতোপ্পা টুরিষ্ট স্পোটশিংদগী চাং তাবা নত্তে। লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম অসিনা মরম ওইরগা চঙনিংদবনি হায়রিবশিং অসি কোকহন্নবগীদমক ওক্টোবর ১৮দা মণিপুরদা টিবেটকী স্পিরিচুয়েল লীদর দলাই লামা লাক্লগা পীগদৌরিবা ঈং-তপ্পগী পাউজেল শীনবদা মহাক্কী মতেং পাংবীয়ু।

সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়খি, ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪০দি অঙাংশিংনা ওইরি। অঙাংশিং অসিনা তুংগী য়ুম্বীনি। মরম অদুনা মখোয় নীংথিনা শেম্বা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাংনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুরনা ইনফেন্ট মোর্টেলিটি রেটতা খ্বাইদগী নেম্বা ষ্টেট ওইরি। ষ্টেট অসিদা অঙাং ১০০০ পোকপগী মনুংদা ৯ খক্তমক শীখি। ইন্দিয়াগী ওইনদি অঙাং ১০০০ পোকপগী মনুংদা ৪৪ শীখি অদুগা অসামদনা ৬২ শিরি। মসিগীদমক ঐখোয়না চাউথোকচগদবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ঙাক্লবা অমদি য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচা, সব-ইন্সপেক্টর অমসুং এন্তি-হ্যুমেন ট্রাফিকিং য়ুনিটকী ইন-চার্জ ৱাই খেদা, ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী সিনিয়ার রিপোর্টর লৈবোন জেমি অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী রিপোর্টর এস বিজ্ঞানন্দদা এম এ সী আরগী চাইল্ড রাইটস এৱার্দ পীখি।

১৮শুবা ৱর্ল্ড হার্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): মণিপুর হার্ট ক্যের সোসাইটিনা শিন্দুনা ১৮শুবা ৱর্ল্ড হার্ট দেগী থৌরম সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা লাইনিংথৌ খল্লাংবা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. লোকেন্দ্র অরাম্বম, ফোর্মর দিরেক্টর (এ ভি আর সী) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চীফ গেষ্ট, জেনিমসকী মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী প্রো. ৱাই ইবোতোননা প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর হার্ট ক্যের সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট অমদি সেনিয়র কার্দিয়ক সর্জন প্রো. কে ঐচ ঐচ কালানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা ডা. কে ঐচ কালানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০০ দা জেনেভাদা ৱারেপ লৌদুনা পাঙথোকপা হৌখি। মসি পাঙথোকপগী মরু ওইবদি মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংনা হার্ট দিজিজগী মরমদা খঙনবগীদমক্তনি। মীওইবগী হকচাংদা লৈরিবা শরুকশিং অসিদগী খ্বাইদগী মরু ওইবসি হার্ট হায়বসিনি। হার্ট য়াওদনা মীওইবনা হিংবা ঙমদে। হার্টকী অনাবসি মখল য়াম্মী অদুনা করম্না খঙগনি, করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসিদা নৈনবনি।

মালেমগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ১৭.৩ চহী খুদিংগী হার্টকী লায়নানা শিরি। অতৈ লায়নাদগী হার্টকী লায়নানা শিবনা হেল্লি। পোকপদগী য়াওরক্লবা হার্ট হোবা, ঈ উতোং চানদনা লাকপা য়াওরকই। মসি মতম চানা য়েংহৌদ্রবদি খুদোংথীনিঙাইনি। মসিদসু নত্তনা রোমেটিক হার্ট দিজিজ লাকপা কয়ানসু হার্ট এটেক তৌহল্লি। অদুবু অমেরিকাগুম্বা চাউখৎপা লৈবাক্তদি চাদা ৮০ দি হার্ট এটেক্ট তৌবগী চাং হন্থরে। ইন্দিয়া অমদি নোর্থ ইষ্টতদি চাদা ৮০ রোম লায়না অসিনা নারি। রিমসতা অনাবা য়েংবা লাকপা চাদা ১৮ দি হার্ট নাই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

কোক ঙাওবা, মিহুন কা হেন্না চোংবা তারবদি হার্ট নাবগী চিংনবা লৈবনা অথুবদা দোক্টর তানবীয়ু। হৌজিক্তি অয়াম্বনা ইমুং-মনুংশিং চরাংনবা তংদু-লৈতাদবা, মচাশিংগী দিমান্দ তৌবা কয়া লৈরি। অদুনা টেন্সন লৈবা মরম্না বি পি লৈ, বি পি চেক তোয়না তৌবীয়ু। ইন্দিয়াগী মনুংদা হার্ট দিজিজ নাবা মশিং হেনবা মরম্না মণিপুরসু য়াওরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রো. ৱাই ইবোতোননা হায়খি, ঐখোয়গী ইপা-ইপুদগী চৎনরক্লবা চীঙ্গাক মনা-মশিং অমদি অতৈ উহৈ-ৱাহৈ চাবা হায়বসি য়াম্না ফরম্মী। অদুনা মনা-মশিং চাবা, উহৈ-ৱাহৈ চাবা অসিনা হকচাংদা ফনা লৈহনবা ঙম্মী। নোংমগী মনুংদা হুমাং তাবা থবক নৎত্রগা এক্সরসাইজ তৌবা মতমদা চহী মতাংগী মতুং ইন্না য়েংলগা তৌগদবনি। চাউখৎপগী মীংদা হৌজিক্কী থোরক্লিবা চীঙ্গাকশিং অসিনা বি পি ৱাংবা, দাইবেটিস নাবগী চাং ৱাংহল্লি। মসিনা হার্টকী অনাবা লাকহন্দুনা হার্ট এটেক লাকহন্নবগী মচাক পী হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইরাবতকী থৌরমগা মরী লৈননা...

*লামায় ১গী মখা...*থাউ গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবা মার্চ পাষ্ট চাংদম্নবা অদুদা মকোক মথং তাথ্রবশিংগী মনাসু লান্থোক্লগনি। চাংদম্নবা অদুদা জুনিয়রগী কাঙলূপতা অহানবা তাখিবা রোয়েল এদ্যুকেসন সেন্টর (নুপীমচাগী কাঙলূপ), অনীশুবা তাখিবা পেরাদাইজ ইংলিশ স্কুল থৌবাল ওক্রম (নুপামচাগী কাঙলূপ) অমসুং অহুমশুবা তাখিবা ষ্টেন্দর্দ রোবর্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাঞ্চিপুর (নুপীমচাগী কাঙলূপ) দা পীরগনি। সিনিয়রগী কাঙলূপতা অহানবা তাখিবা ৬৫শুবা গলর্স এন সী সী, অনীশুবা তাখিবা রোয়েল এদ্যুকেসন সেন্টর (নুপামচাগী কাঙলূপ) অমসুং অহুমশুবা তাখিবা পেরাদাইজ ইংলিশ স্কুল (নুপীমচাগী কাঙলূপ)দা পীরগনি। মনা ফংলগদবশিংনা হয়েং নুংথিল পুং ১গী মাঙওইননা কৈশাম্পাৎ লাইরেম্বী কম্ম্যুনিটি হোলদা লাকপীদুনা থৌরম অসি মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তারক্লি।

মণিপুরগী শান্নরোয় ৮দা লুপা ...

লামায় ১গী মখা... মহম্মদ শাহজহান (মিদ ফিল্ডর), খুমন্থেম নিংথৌঙম্বা (মিদ ফিল্ডর), থৌনাওজম জিক্সন (মিদ ফিল্ডর) অমসুং কিয়াম অমর্জিৎ (মিদ ফিল্ডর) নি।

প্রোফেস্নেল গেমস মেটচ ওফিসলস লিমিটেদ (পি জি এম ও এল) না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমদি আই এম জিগা খূৎশম্নরগা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অমদা শরুক য়ানবা খল্লকপগীদমক চান্দেলগী রেফ্রী থুমলি জোইসিং মোনশাংবুসু মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্লা হায়খি, নহা ওইরিবা রেফ্রী অমবু অসিগুম্বা মখলগী কোর্স অমা য়াওনবগীদমক খল্লকপা হায়বসি মণিপুরগী ওইনা চাউথোকচনিঙাইনি। মোনশাংনা কোর্স অসি য়াওবা চৎলমদাইদা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংগনি হায়না মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, নেস্নেল/ইন্টরনেস্নেল ইভেন্টশিংদা শকখঙলবা ডিসিপ্লিনশিংদা শরুক য়াবা শান্নরোয় খূদিংমক্তা ইনসেনটিভ পীগনি। থবক হাপ্পকপা মতমদা শান্নরোয়শিংগী সীট চাদা ৫ খাক্তুনা থল্লি। করিগুম্বা মতমদা শীংথানিঙাই ওইবা মওংদা পর্ফোমেন্স পীবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংবু মশাগী ক্বালিফিকেসনগা চানবা থবক খুদক্তা পীরি।

মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, খেলো ইন্দিয়া প্রোজেক্টকী মখাদা গ্রাসরূট লেভেলদা শান্নবুং শেমগৎপগী থৌরাং লৌখৎলগনি। ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ডিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা শেমগৎপা হৌরম্লগা লোইশিন্দ্রিবা স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর পুম্নমক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি।

পাউগী মীফম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন, এম এল এ কে লৈশিয়ো, য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী ডিরেক্টর এন প্রভিন অমসুং ডিপার্টমেন্ট অসিগী অতৈ ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

তুরেলদা লুপখিবা মীওই অমগী ...

লামায় ১গী মখা... অশিবা হকচাং অদু অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রিবনো হায়না চেরোল অসিনা হংলক্লি।

লৈখিদ্রবা সৈতিনপাও হাওকিপকী লোয়নবী অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা শারবা নুংশা মরক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মোরে ফাওবা লাক্লবা মতুংদা তমু পুলিসনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রিবা মীওই অদু সৈতিনপাওনি হায়বা খঙলকখিবনি। অশিবা হকচাং অমবু মশক মমিং খঙদোক্লবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা পীদনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবগী থৌওং অদু মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা মণিপুর লৈঙাক্লা ম্যান্মারদা তকশিনবা মথৌ তাই হায়না চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

লু-নানবা হায়বসি মীওই নৎত্রগা...

*লামায় ১গী মখা...*লম্মাংদা অমাঙ-অশোয় তৌশিন্দ্রবা মফমনি হায়না লাউথোকখ্রে। লম্মাংদা অমাঙ-অশোয় তৌশিন্দবগী কান্নবা অমনা মসিনা হকচাং ফনা লৈহনবা ঙমই অমদি খুঙ্গংগী লমশিংদা নুপীশিংগী মথক্তা চত্থবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক হন্থহনবা ঙমই।

মহাক্লা হায়খি, ইন্দিয়া লু-নান্না অমদি হকচাং ফনা থম্বনা টুরিজম চাউখৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। লৈবাক মীয়াম্বু হকচাং ফনা অমদি নুংঙাই য়াইফনা থম্বসু ঙমগনি। লু-নান্না লৈবনা মীপুম খূদিংমক হকচাং, ৱাখল, খুন্নাইগী ফীভম অমদি লৌশিংনচিংবা ফগৎহন্দুনা হকচাং ফনা অমদি নুংঙাই য়াইফনা লায়না তিন্না চেন্দবা পূন্সি থম্বা ঙমগনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্নবা থবক কয়ামরুম পায়খৎখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসিনা স্বাছ ভারত পাঙথোক্লবা লৌরল্লিবা থৌদাং অদুগীদমক গভর্নরনা অপেনবা ফোঙদোকখি। কেম্প্যেন অসি চাং নাইনা পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৌখৎলিবা থৌদাংশিং অসিনা হান্না লৈজরল্লিবা উমং-ৱামংগী ফীভম ফগৎহনবা অমদি কেম্প্যেন অসিদা অনৌবা উ-ৱা থাদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পস লু-নান্না থম্বা অমদি অশং-অমান্না থন্না লৈবা মফম ওইহল্লগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

গভর্নরনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকল্টিশিং অমদি মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা উ-চারা থাখি। স্বাছ ভারতকী চয়োল থৌরম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেথমেটিক্স এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেসকী দিনসু ওইরিবা বিনেট মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রো. এন রাজমোহোন, নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুরগী দিরেক্টর প্রো. শরুংবম বিরেন্দ্রনা ঈকায় খুম্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি রিজনেল কেম্পস মণিপুরগী প্রো. রামজিবন সিংহ থাকুরসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিয়ভর্সিটি রিজনেল কেম্পস মণিপুর অমসুং বাইওদাইভর্সিটি, ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট নেটৱার্ক, মণিপুর অনীনা খুৎশম্নদুনা শীনখিবনি।

বিশ্বজিৎ : ডিসেম্বর ফাওবদা লম্বী অয়াম্বা...

*লামায় ১গী মখা...*কয়া থোক্লি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা মণিপুরগী লম্বী থোংনা হেন্না অমাঙ-অতা থোক্লি। অদুমকপু ষ্টেট অসিগী অমাঙ-অতা থোক্লিবা লম্বীশিং অসি শেমজিন্নবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজদা লূপা ক্রোর ৫০ রোমগী শেন্থং পীবীননবা চীফ মিনিষ্টর অমদি ঐহাক ইশামক্লা তকশিনখিবা লৈরে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা মণিপুরগী লম্বী থোং শেমজিন্ননবগীদমক পীবা য়াবা শেন্থং পীগে হায়নসু থাজবা পীরক্লে।

নোং-চীংগী ফিভম ফরক্লবদি লম্বী থোং শেম্বগী থবকশিং খুমাঙ চাওশিন্না পায়খৎননবা ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্টনা শেম-শারি। শঙাই ফেষ্টিভেল নংনবসু ইম্ফাল মনুংগী লম্বী থোং য়ারিবমখৈ ফনা নিংথীনা শেমজিন্নবা হোৎনগনি। মথং চহীগী মার্চ ফাওবদদি শোয়দনমক্কী অচৌবা অওনবা অমা লমদমসিগী মীয়াম্না উবা ফংলগনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক অসিদা অওনবা অসি পুরক্লবগীদমক মতম খরা পীবীয়ু। চহী অসিদা নোং কন্না তাবদগী ষ্টেট অসিগী চীংগী মফমশিংদা মদস্লাইদ, লেন্দস্লাইদ অমদি লম্বী নমথবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুমকপু বি জে পিনা লূচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা নেস্নেল হাইৱেশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা অপনবা থোকহন্দনবগীদমক লেন্দস্লাইদ, মদস্লাইদ অমদি লম্বী নমথখিবা মফমশিংবু শেমজিন-শাজিনবগী থবক মতম চানা পায়খৎখি। নেস্নেল হাইৱেগী শরুকশিংদা থবক শুরিবা ভারতিবু ওইরো এন এস আই টি সী এলগীবু ওইরো মখোয়গী মেছিনরিশিং অমদি ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্টকী টিমশিংগা পূন্না খূৎশম্নদুনা নেস্নেল হাইৱেশিংদা অপনবা থোকহন্দনবা খুদক-খুদক্কী ওইনা মতিক চাবা থবক পায়খৎতুনা লাকখি। অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদা এ আই আর ইম্ফালগী অয়ুক্কী পাউ নৈনবদা এনালিষ্ট অমনা ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্ট ফ্লোপ চৎলে হায়খিবা অসিদি তশেংনা থিজিনবা তৌদনা হায়খিবনি হায়না লৌই।

পব্লিক ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং, পায়খৎকদবা থবকশিং অমদি মীয়ামগী য়াইফন্নবা থৌশিল কয়া শেম্নবা হোৎনরিবশিং অসি কুপ্পা থিজিনবীরবা মতুংদা ঙাঙলল্লবদি মীয়ামদসু মিসঅন্দরষ্টেন্দিং অমা লৈহল্লল্লোই। মতুং তারকপদদি নাকল নাম্মখক্কী ওইদবা মওংদা কুপ্পা থিজিল্লগা নৈনহন্নিংই। মীয়াম্নসু পোজিটিভ ওইবা মায়কৈদা চঙশিনমিন্ননবগীদমক সজেসন পীবিয়ু। পি দব্লিয়ু ডিনা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎকদবা থবকশিংগী মতাংদা থা খূদিংগী রিভিয়ু মীটিংনচিংবসু পাঙথোক্লি। পি দব্লিয়ু ডিনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি খুমাঙ য়াঙশিলহন্নবসু মীফম অদুদা কুপ্পা খন্নরগা য়েংশিনবগী থবক চত্থরি। চীংগী মফমশিংদা মদস্লাইদ, লেন্দস্লাইদ থোক্লকপা মতমদা নেস্নেল হাইৱেশিং ক্লিয়র তৌনবগীদমক্তা থবক পায়খৎলকপদা মফম-মফম অদুগী মীয়াম্না মপূং ফানা তেংবাং পীবিরক্লি। মসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা চীং-তমগী খেন্নবা থমদনা থবক পায়খৎলকপগী মহয় অমনি হায়না লৌই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায়খি, শওম্বুং থোং শাবগী থবক পায়রিবা কন্ট্রেক্টরদা সো কোজ নোটিস থাখ্রে। নোংজু থা লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা থোং অসি শেম্বা হৌদ্রবদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলগনি। লৈঙাক অসিনা অনৌ-অনৌবা ইনোভেটিব ওইবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎনবা শেম-শারি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা পি দব্লিয়ু ডিগী চীফ এঞ্জিনিয়র নোরেননা হায়খি, টিদ্দিম লম্বীগী শরুক খরদা হৌজিক লম্বী শেম্বগীদমক উ কয়া ককথৎপগী থবক পায়খৎলিবসি ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টকী ক্লিয়রেন্স লৌরবা মতুংদনি। ডিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম খঙবীনিংলবদি মতম পূম্নমক্তা মাঙজৌননা পাউ ফাওবীরমদুনা নাকল অনীমক্কী ওইবা পাউ ফোঙবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা অপীল তৌখি।